ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ০৯, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৪১শুবা মশীং

# থবক কানরক্তবগী চাং ৱাংবা

## পে বিলগা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্সকা লিঙ্ক তৌহনবা থেঙবু থেঙমল্লবনি

ষ্টেট লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা সেক্রেটরিএটতা এমপ্লোয়ী অয়াম্বা চাং নাইনা থবক কানরক্ত্রে হায়রিবসি লাইবক থীবনি হায়না লৌবা য়াই। এদমিনিষ্ট্রেসনগী য়াঙলেন শরূনি হায়না লৌনরিবা সেক্রেটরিএটতা পূন্না এমপ্লোয়ী ১১১২ লৈবগী মনুংদা অয়াম্বা মতমদা এমপ্লোয়ী ৪৫০দগী হেন্না কাদ্রে হায়রি। থবক কারক্লিবা এমপ্লোয়ী খরা অদুসু মতম চানা ওফিস অৱারদা লাক্তবা অমসুং ঙন্তানা ময়ূমদা হনখিবা মরম্না লৈঙাক্কী মরুওইবা থবক থৌরম অয়াম্বা পন্দুনা লৈরে হায়রিবসিনা অমুক্কা হেন্না অৱাবগী মশকনি। এমপ্লোয়ী অয়াম্বা থবক কানরক্তবদগী চীফ সেক্রেটরিনা মে থাদগী হৌরগা এমপ্লোয়ীশিংগী পে-বিলগা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্সকা লিঙ্ক তৌহন্দুনা তোলোপ ককপা য়াওনা মখল কয়াগী এক্সন লৌখৎনবা জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট (জি এ দি) দা খঙহনখ্রে হায়রি। সেক্রেটরিএটতা মরু ওইনা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংদি জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন, হোম, এগ্রিকলচর, পঞ্চায়টি রাজ, ফাইনান্স, লো, পব্লিক ৱার্ক্স, ইরিগেসন, এদ্যুকেসন, ইন্দষ্ট্রি, ট্রান্সপোর্ট, লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট, ফিসরিজ, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ইনফোর্মেসন, সোসল ৱেলফ্যের অমসুং ফোরেষ্টনচিংবনি। ফেদরেল সিষ্টম চৎনরিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা সেক্রেটরিয়েট লীংখৎপগা লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্কী মরু ওইবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেন্টর ওইহন্দুনা লাক্লি। ষ্টেট লৈঙাক্কী জুরিসদিক্সন মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মথৌ পাঙথোকপগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টশিংগী মরক্তা মতেং পাংনদুনা মতম-মতমগী লৈঙাক্লা শেন্বা থৌশিল পূন্নমক থবক্তা ওন্থোকপগী থৌদাংসু লৌরি। দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ হেদ ওইনা সেক্রেটরি অমসুং পোলিটিকেল হেদ ওইনা মিনিষ্টরশিং লৈরি। সেক্রেটরি খুদিংমক লৈবাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমগী সেক্রেটরিনি, দিপার্টমেন্ট অদুবু পায়রিবা মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি নৎতে। সেক্রেটরিনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমগী মকোক ওইনা থবক তৌবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অদুবু পায়রিবা মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল এদভাইজর ওইনসু থৌদাং লৌই। মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা লৌরকপা ৱারেপ খুদিংমক সেক্রেটরিনা থবক্তা ওন্থোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লেজিসলেটিভ কম্মিটিশিংদসু দিপার্টমেন্টকী মীহুৎ ওইনা য়াওই। ষ্টেট লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা সেক্রেটরি, দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমসুং অন্দর সেক্রেটরি (এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি) অমমম লৈ। খরা চাউবা দিপার্টমেন্টতদি এদিসনেল সেক্রেটরি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি লৈবা য়াওই।

সেক্রেটরিএটনা লৌরিবা থৌদাং অসুক্কী মতিক চাউই। খরদং পল্লবদা লৈঙাক্লা পায়খৎকদবা থৌরাং খুদিংমক্কী থৌশিল শেন্বা, ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকা তানরগা ষ্টেট লৈঙাক্কী চহীগী বজেট শেন্বা; মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা লৌরকপা ৱারেপ খুদিংমক থবক্তা ওন্থোকপা, করম্বা ফীভমদা অমসুং কনা-কনাদা গ্রান্ট-ইন-এইদ নৎত্রগা লোন পীবা; লৈঙাক্লা পায়খৎপা থৌরাংশিং কদায় ফাওবা খুমাঙ চাউশিল্লবগে য়েংশিনবা; দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা বজেটকী মতুং ইন্না শেল শীজিন্নরিবরা য়েংশিনবা, তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী দিরেক্টর খনবা, তোলোপ পীবা অমদি ছুটি লৌবনচিংবা পূন্নমক য়েংশিনবা; লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পাস তৌনবগী ড্রাফ্ট লো শেন্বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবা; লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমসুং লেজিসলেটিভ কাউন্সিলদা মিনিষ্টরশিংনা খুমগদবা ৱাহংশিংগী পাউখুম শেম শাবা; দিপার্টমেন্টশিংনা নুমিৎ খুদিংগী লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী থৌদাং লৌবা অমসুং তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী সেমিনর, ৱার্কশোপ অমসুং ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াগদবা মীহুৎ খনবা অসিনচিংবনি। পূন্নমক অসিগী মথক্তা সেক্রেটরিএটনা অতৈ অতোপ্পা মরু ওইবা থৌদাং কয়াসু লৌরিবনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা লৈঙাক্কী য়াঙলেন শরূনি হায়না লৌনরিবা সেক্রেটরিএটনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লিবমখৈ অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবা ঙমগদৌরিবনি। সেক্রেটরিএটনা মথৌ ফজনা তৌরক্তবা অমসুং এমপ্লোয়ীশিং চাং নাইনা থবক কারক্তবা মতমদা য়াঙলেন শরূ শোল্লবা মীনা চৎপদা মঙম শানবা ঙমদবগুম লৈঙাক্কী থবক থৌরম খুদিংমক ফেল ওইগদৌরিবনি। অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইখ্রবা লৈঙাক্কী লোইশঙ অমদা এমপ্লোয়ীশিং চাং নাইনা থবক কানরক্ত্রে হায়রিবসি মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎলে হায়বগী খুদম ওইনা লৌবা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা কনা-কনা মতম চানা থবক কারকপগে অমসুং কনানা থবক ফজনা শূবগে হায়বা কূপ্পা য়েংশিনগদবা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিং মতম চানা থবক কারক্তবনা মখা থাবা এমপ্লোয়ীশিং তৌনীং-তৌনীংবা তৌহল্লকপরা হায়না মীয়ামদা চিংনবা পোকহনবগী ফীভমদা লাক্লে। হীরম অসিদা এমপ্লোয়ীশিংগী বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স চ্যেক তৌদুনা খোঙথাং খুদিং য়েংশিনবগী মহুক্তা এমপ্লোয়ী পূন্নমক মশা-মশাগী তৌফম থোকপা মথৌনি খলহন্দুনা চাং নাইনা থবক কানীংবা পোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপনা হেন্না চুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### কৈদৌঙৈ নানগনি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

করম্বা কান্দনো লোইগদবা? ফনবা শেন্বীরিবা কংলা পাৎ পরিংগী ফুট পাথ লম্বীসে। নাক-য়েৎ অনীমক ট্রাফিক পোইন্ট, কংলাগী গেট, নাক-য়েৎ কয়াদা ওইরিবা ফীভম, নূংকুপ-লৈঙোই ফুট পাথতা থানবা চেক কয়া পৈশিন-পৈশিন্দুনা থমজিনবনা লম্বী চৎপা কয়াদদি গাড়ীনগা চিনবনে অৱাবা অমা ওইহল্লে, ওইসু ওইরিবনি নীংজৈ। অমরোমদা ফনবনিদি হায়ববু ফনবা শেন্বীবদা মতম কয়া চংহনবীবা অসিনি। উকু মঙা-তরাদং হাপ্পদসু নুমিৎ মশীংনা হেনখ্রবরা খঞ্জে। নীংশিংলকপা মতমদা শূবা থবক খূৎশুগুম। অমরোমদা অমুক অৱাবা ওইরিবনা তৌখাইবগী মেনশিনবদা লৈবাক্লা মেনবা অসিনি, হোয় মেন্দবদি য়াদবনিনা। তৌবতবু নোং মতম ওইবনা নোং খজিক তারকপদা লৈখোম্লা লম্বী চৎপদা অৱাবা ওইরকপা অসিনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু শেন্বা য়াবদি শেন্বীরি থাগৎচরি। তৌবতবু ইম্ফাল সহর ময়োন্দা থবক শূবদা চঙবা মচাক মথুম, মপোৎ মচৈ কোয়চাই চাইনা থবক শূবগী নমাদা থম্বীরি। থবক শূবদি নিংথিনা শূবা উদবগুম তৌরি। মসি পূম্বা লম্বী চৎলিবা মীয়াম্না খুদম চাংদমনি খঞ্জে।

অমরোমদা লৈশেন্বগী য়াথং লৌরিবা থিকাদার মীংথোল ফংলিবা মখোয়গী থবক খূৎশু অসিনি ঙক্লিবদি। থবকপুদি শূই, শূদে হায়বদি নত্তে। লোইশনবা অমদি নাইবা হৈনদবগুম মতম খক্তা লৌবগুম তৌনরি। অমরোমদা হান্নদি লূনা নান্না লৈজরম্বা ফুট পাথনি। সরক্কী নলা, ঈথৈ, উকুখরা ওভরব্রিজ শাবগী খরা পূন্নমক অসিনা ফুট পাথ হৌজিক করি ফীভমদা লৈরি হায়বসি অউবনা খঙবীরমগনি। পূন্নমক অসি নাকোয়ননা থমজরগা অমবু ওইরো, অমবু ওইরো থবক লৌবীরিবা অমদি শূবিরিবশিংনা থবক অমা তৌবীবদা তানবীরগা লোইশিনবা নাইনা থবক মখা তানা চথুবীরবদি মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা নত্তনা ইম্ফাল সহর লূ-নান্না থম্বদা অচৌবা মতেং ওইগনি। অদুনা মীনা হায়নবা হৌজিক কানগী থিকাদারবু থবক্তি শূদনা হায়বদু তাহনগুমসি। ইম্ফাল সহর লূ-নানবদা মতেং পাংবীদুনা অনানবা সহর ওইহনসি, ৱাই শিৎপতনদি অনানবা সহর ওইবা য়ারোই খঞ্জে। অদুনা কৈদৌঙৈনো ফুট পাথনা নানগদবা?

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫

মণিপুরগী য়েক সলাই খুদিংগী লাইফম অপোকপগী খুভমদা লৈনুংদা য়োৎনা শাবা লেপ শুম্বল মানবা অমা ফুমদুনা থম্নে। মথক্তনা খাবৈ মওং মান্না য়োৎনা শাবা অমসু য়ুংনৈ। ।১
?ক) লৈনুংদা ফুল্লিবদু মমাগী খুদমনি। করি কৌই)
?খ) মথক্তা য়ুংলিবদুনা মপাগী খুদমনি। অদুনা করি কৌই)

হে নুপী! নখোয়না অসুক থাজগল্লিবসিবু... করিগীনো?” পরেং অসি শাজৌ কৌবা অমনা” মাগী নুপীনা মন্ত্র যন্ত্র থাজগনবা অদুদা পেন্দনা হায়রিবনি। ওজা জি সী তোংব্রাগী রেডিও ড্রামা দুগী মমিং হায়য়ু।অ ।২

কিরম্বদগী কিরক্তে/মিৎ উইশিল্লগদুম চৎনিংলক্লে।” পরেং অনী অসিনা কবি ভুবনস্নাগী শৈরেং” মদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।অ ।৩

পুন্সিদি শৈরেংনি/... শৈরেং য়াওদ্রবা পুন্সি/নত্তে অশেংবা পুন্সি।” পরেং অহুম অসিনা” নোংজু নঙনা’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।’ ।৪

শেংবা থৱায় অমনা/কোইপাই পাইদুনা থিরি/হকচাং পোলাং অমা।” পরেং অহুম অসিমনাঅ” ৱাথোক’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। মপালগী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।’ ।৫

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সাহিত্যগী কুম্মৈ মনুংদা ড্রামা ফেষ্টিবেল

সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি’না শীনবা ড্রামা ফেষ্টিবেল - নন কম্পিটিটিব মোদেল’দা পাঙথোকপা ওইরবসু, মমাঙগী চহীচাগী তরেৎশুবা অমদি নিপানশুবা দিকেদ মনুংদা লীলা ইবা অমদি লীলা শেম্বশিংগী মনুংদা ফোঙদোক্তবা অকনবা কম্পিটিসন অমা তৌনফম প্লেটফোর্ম ওইরম্মী। মতমদুদা থোক্লকখিবা প্লেরাইট (লীলা ইবা) অমদি দিরেক্টর (লীলা শেন্বা) শিং, মখোয়না পুথোক্লমখিবা ড্রামাশিংনা অনৌবা (মোর্দন) মণিপুরী থিয়েটরগী মশক লেপখিবনি হায়নরি। মীরোলদুগী তুংইল্লকপা মথংগী ড্রামা পাম্বা মীরোল অদুদদি শীংনবনা থল্লরে। দিজিটেল টেক্নোলোজিনা পন্দোল লোম্না চাওখৎলকপনা সিনেমা অমদি থিয়েটর হোলশিংদা চৎপা মীগী মশীং হন্থরকপা, য়ূমদা ফম্না ফম্না, চৎন চৎনা মফম খুদিং য়েংনীংবা মথেল য়েংবা ফংলকপদগী পার্ফোমিং আর্ট মখল খুদিংমক্তা পীরকপা চৈথেং অদু মণিপুরী থিয়েটরনসু মায়োক্নরি। মসি করম্না ওইরকখিবা? করম্না কোকহনগদবা? ৱারেংসিদা নৈনজরোই। নৈনরসু কান্নরোই। কলচর য়োকখৎকদবা দিপার্টমেন্ট ওফ কলচরনা নুংনাংদ্রবা, থিয়েটর হিংহন্নবা প্রোগ্রাম পায়খৎকদবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি’না মখূৎ তুংবুন্নখ্রবদা ঐগুম্বা-নঙগুম্বা ময়াম্না ৱাজরুদুনা কৈদৌনি?

অসুম্না, মণিপুরী থিয়েটরগী থৌরম থৌদা (এক্টিভিটি) তপথখিবদা ৱাজরবা থিয়েটরবু নুংশিবা ইমুং অমা থোক্লকই। মতম অমগী সাহিত্যগী থৌপাংলোয় অমা ওইরম্বা কাঙজম পদ্মকুমারগী মচা-মশু, মখোয়গী ইমুং মনুং। পদ্মকুমারবু নৌনা থিবা খোঙচৎ অমা, হৌখিবা চহী অমনি’সিদগী লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা অসিদা, হাকুমদগী অনৌবা মায়ওন অমা ওল্লকই- ‘পদ্মকুমারগী সাহিত্যবু থিয়েটরগী মীহুৎ থোঙদগী য়েংলকপা’। সাহিত্যগী কুম্মৈ মনুংদা ‘থিয়েটর ফেষ্টিবেল’ অমা পাঙথোকপা।

অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈগী ড্রামা ফেষ্টিবেল অসিদা পূন্না ড্রামা তরাহুমদোই উৎখি, কোরসকী ‘শ্রাইন প্লে-হাউজ’ মনুংদা উৎখিবা লীলা পূন্নমক পুমনৌ নৌবা লীলা ঙাক্তনি। লাইগী শোয়দবা থৌরম (রিচ্যুয়েল) অমা পাঙথোকপগুম, পাঙন-শানবা পঙউৎ উৎপা, হান্না উৎখ্রবা অমনবা প্লে অমা হেক্তা উৎশিনবদু নত্তে। ৱারীমচা নৎত্রগা অতোপ্পা মওংগী খূৎই অমদা লৈরম্বদু নৌনা ড্রামাটাইজ তৌদুনা ইথোক্লগা, নৌনা তম্লগা পুথোক্লকপনি। ফেষ্টিবেল অসিগী স্কেল ওফ এরেঞ্জমেন্ট, মণিপুরদা ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখ্রিবা (ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীনবা য়াওনা) ড্রামা ফেষ্টিবেল পূন্নমক্তগী খ্বাইদই চাউবা অমনি’বু হায়নীংই। মায় পাক্না পাঙথোকখি। অতোপ্পা ড্রামা ফেষ্টিবেলশিংদা উবা মতৌ-তরক তরকপা ওদিয়েন্স, য়েংবীনবা ৱাৎপা পার্ফোর্মেন্স হায়বদুদি ওইখিদে। শো খরদদি ফমফম কোন্নদদুনা, ফানশাং অমদি ফকশাং পরেং থারগা য়েংনবসু য়াওখি। খল্লোই ঙমদে, খল্লকখি - অয়েংবশিং অদু ‘অচঙমন’ (এন্ট্রি ফী) লৌরগা চঙহল্লম্বা ওইরবা, অদুক য়াম্না লাক্লমগদ্রা? মমীংতগী ওইনা খরা লৌরম্লবসু অশিন-অরাঙ তৌবশিংদা ৱাজমল খরতা ওইরবসু হঞ্জিল্লমগনি। শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদদি অদুক য়াম্বা অয়েংবশিংদু ‘অয়েংমল’ পীরগা য়েংবা মী ঙাক্তনি। লেম্না য়েংবীয়ু হায়র’ফাও লাকপীয়ু য়াদ্রবা অয়েংবশিং, ওদিটোরিয়ম থন্না লাকপদুদনি ঐনা মায় পাক্লবা ফেষ্টিবেল অমনি হায়জরিবা। য়েংবীনবা ভাবক লৈতবদুননি ‘মণিপুরী থিয়েটর শিরে’ হায়নরক্লিবা। পদ্মকুমারগী কুম্মৈসি য়েংলুরগা খল্লকখি- মণিপুরী থিয়েটর, নারবসু, ‘খূৎ থারবা অনাবা’ হায়বদুদি নত্তরি। লায়েংনবা হীদাক লৈরি, লায়েংবীদবই ৱাতনি।

অপূনবা লীলা ১৩সিগী মনুংদা তরুক’না পদ্মকুমারগী খূৎইদগী শেমগৎপনি। অতোপ্পা তরেৎ অমনা কাঙজম রাধাকুমারগী ৱারীমচাদগী ড্রামাটাইজ তৌবনি। লীলা তরাহুমদোইমক্কী দাইরেক্টরশিংনা ‘লীলা শেমশাবদা মতমগী খুয়ৌনবা’ লৈখিবা, রিহার্সেল মতম লৈখিদবা, ‘নীংবা থুংবা পার্ফোর্মেন্স’ অমা হায়বদু ওইখিদবগী নুংনাংবা/নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখি। অশিন-অরাং তৌবীরিবা কম্মিটিদা ’সিমত্তংদি হায়জনীংই - মথং চহীদসু অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপীগে খনবীরবা, শরুক য়াগদবা গ্রুপ অমদি লীলাশিং, তঙাইফদনা থা অমগী মমাঙদা, য়ারগদি থা অনীগী মমাঙদা ৱারেপ্নদুনা শেম শাহন্নীংই, হেন্না মপূম ফাবা ফেষ্টিবেল অমা ওইহন্নবা।

ফেষ্টিবেল অসিগী অহৌবা নুমিৎ, এপ্রিল ১দা উৎখিবা, লিবর্টি থিয়েটর, ককচীংগী ‘খোম্লেন মঙলান্দা’; লোয়ননা এপ্রিল ৯দা উৎখিবা, কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী ‘ৱাংমা ৱাংমা’ - লীলা অনিসিখক্তংদি মিনট নিফুমঙাগী মনুংদা শান্নবা অতেনবা লীলানি। অতৈদি পুং অমগা মিনট তরা/কুন/কুন্থ্রা... পুং অনী ফাওবগী মনুংদা শান্নবা লীলা ঙাক্তনি। প্লে দিরেক্টর মশা-মশানা ড্রামাটাইজ তৌজরগা শান্নখিবা লীলা তরুকনি - উত্তমকুমার নাওরেমগী ‘খোম্লেন মঙলান্দা’ (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা), থৌনাওজম প্রেমজিৎকী ‘ৱাংমা ৱাংমা’ (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা) শারুংবম বীরেনগী ‘অয়েকপা লাইনা তম্নবা’ (রাধাকুমারগী ৱারীমচা, মণিপুর থিয়েটর একাদেমি); সোইবমচা ইন্দ্রকুমারগী ‘শকয়েং মিংশেল’ (রাধাকুমারগী ৱারীমচা, এলিট গ্রুপ ওফ পার্ফোর্মিং আর্টিষ্ট); লোইতোংবম দোরেন্দ্রগী ‘কনাসু ঐগী মিং খঙদে’ (পদ্মকুমারগী নোভেলেট, ইম্ফাল থিয়েটর); ডাক্তর এস থানিল লৈমগী ‘লাইরৈপাক্কী হৈকোল লৈকোল’ (রাধাকুমারগী ৱারীমচা, খেঞ্জোংলাং)। বুদ্ধ চিংথাম’না ড্রামাটাইজ তৌবা রাধাকুমারগী ৱারীমচা ‘লান অমসুং শৈরেং’, চিংথাম বানিকান্ত মশানা পার্ফোর্মর অমসুং দিরেক্টর ওইজবনি, সোলো পার্ফোর্মেন্সনি। ডাক্তর মাখোনমনি মোংসাবা, ফিল্ম মেকর অমা ওইনা অমদি লিটরেরি এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা পাক্না শন্না খঙনর’সু থিয়েটরগী তাইবঙসিদা তেল্লবা মতম খরা কোরসকী এক্টর ওইরম্বদু নত্তনা উবা ফংলকখিদবদু হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিদদি থিয়েটর গ্রুপ অনীগী ড্রামাটাইজর ওইনা থোক্লকই - তোয়জম শিলা, পর্সপেক্টিব রেপর্টোরি থিয়েটর, নম্বোল’গীদমক ‘ডাক্তর’ (পদ্মকুমারগী ৱারীমচাদগী); অমদি ফজতোন চনু, বনিয়ান রেপর্টোরি থিয়েটরগীদমক ‘জালিয়ানৱালাবাঘ’ (পদ্মকুমারগী ৱারীমচা)। রুপমহল থিয়েটরনা শান্নবা, ‘শকখিদ্রবা ঈশৈ’ - লোইতোংবম ব্রজমোহন্না দিরেক্সন তৌবা লীলা অদুনা, রাধাকুমারনা ইবা ৱারীমচাদগী সোইবমচা ইন্দ্রকুমার’না ড্রামাটাইজ তৌবনি। কোস্মোপোলিটান ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী নন্দকুমার মোইরাংথেম’না দিরেক্সন তৌবা ‘তীর্থ চৎপা’ পদ্মকুমারগী ৱারীমচাদগী ক্ষেত্রি সনাজাওব’না ড্রামাটাইজ তৌবনি। লেমহৌরিবা লীলা অনী - য়ূমজাও লাইরেম্বী ড্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী, চবুংবম গুনিন্দ্রোনা দিরেক্টর ওইবা ‘শল্লাংগী থোং লান্দুনা’ অমদি এন টি থিয়েটরগী, নিংথৌজা দীপক্কী দিরেক্সন ‘তরামরিনি পানবৈ থাজ’ - অনীমক রাধাকুমারগী ৱারীমচাদগী মনি য়ূম্নাম’না ড্রামাটাইজ তৌবা ঙাক্তনি।

অশিন-অরাং তৌরিবশিংগী মরক্তগী কাংজম নন্দকুমার’না নোংমা ফেষ্টিবেল লোইশিল্লকপইদুদা হায়খি... ‘থাজদনা হন্দক্কী ড্রামা ফেষ্টিবেল অসি প্লে-দিরেক্টরশিং, ফোঙদোক্তনা নুংদা অকনবা কম্পিটিসন অমা তৌনরম্মী’...।

অদুবু, ৱারেংজরিবা ঐহাক, লীলা তরাহুমদোইসিগী মনুংদা তরানিথোইগী অয়েংবা (ভাবক) অমা ওইনা, অমগীনা মেকর অমা ওইনা এক্সপরিয়েন্স তৌজহৌবদু ফোঙদোকচৌ হায়রগদি - হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসি দিরেক্টর মখল অনীখক্কী থবক’তুনি উবা ফংলিবা - অমনা কনভেন্সনেল থিয়েটর’দা থাজজবা, অমনা নন-কনভেন্সনেল ওইবা মওংদুবুনা হেন্না পামজবা। কনভেন্সনেল থিয়েটরদগী লাপথোকপা ঙমদবা ড্রামাটিষ্ট মশীংনা হেল্লি হায়বসি ফেষ্টবেলসিনা তাকই। |◀◀

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৬৮

উসম ধনঞ্জয়

**জুন ১৬, ২০০৯ :** কসোম খুল্লেনগী এস দি ও ডা. কিষন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনী রাজেন অমসুং তোকেন হাৎপদা চেন্নবা এন এস সী এন (আই-এম) গী লেফটিনেন্ট কর্নেল হোপসন নিংসেন থা অসিগী ১২দা সী বি আইনা দিল্লিগী চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিস্যল কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা টিহার জেলদা থমখ্রে।

সী বি আইনা দিল্লিগী চীফ মেট্রোপোলিটান কোর্টতা ট্রান্সফর তৌবিনবা থাসিগী ৮দা সুপ্রিম কোর্টতা পেটিসন থাবদগী মথং নুমিৎ তাং ৯দা হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা অয়াবা পীখি। থাসিগী ১২দা চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটতা ট্রান্সফর তৌদুনা হিয়ারিং চথুখি। লোয়ননা মহাকপু থাসিগী ২৬ ফাওবা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিস্যল রিমান্দ লৌথখি।

**জুন ১৬, ২০০৯ :** হৌখিবা তাং ১০গী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দা লৈবা নুপী মপামদগী খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লগা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং তাং ১২দা মীহাৎ থীনা হাত্তোকপীখ্রবা য়েংখোম কৃষ্ণদাসকী মীহাৎ অদু প্রিপাক্লা নিন্দা তৌই অমসুং মীহাৎ অদুগা লূপ অসিগা মনুং মপান অনীমক্তা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ অহৈবা অঙোমগী চেরোল অমনা হায়রি।

আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ চেরোলনসু য়েংখোম কৃষ্ণদাসকী মীহাৎ নিন্দা তৌই হায়রি। চেরোলসিনা হায়, হৌরো মীয়াম অমত্তা ওইনা, তুম্না মাঙহল্লসি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরিবা চুরাম্থাবা, মীহাৎপা, মীবু ফারগা পৈশাগা মন্তিক্লবা’।

কে সী পি (এম সী) নসু মীহাৎ অসিগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না লালহৌলূপ অসিগী সেক্রেটরি মিলিটরি এফ্যেরস লানহৈবা মৈতৈগী চেরোল অমনা হায়রি।

রিভোলুস্নরি গভর্ণমেন্ট ওফ কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিনসু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। লালহৌলূপ অসিগী সী এফ আর কম দি আই পি আর ইন চার্জ তাবুংবা মৈতৈগী খূথাংদা প্রেসতা থাদোরকপা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি খম্বা লুৱাংচাগী চেরোল অমনা য়েংখোম কৃষ্ণদাসকী তমথীরবা মীহাৎ অদু কনানা করিগীদমক চথুরিবনো হায়বগী লংলা লংজিন মীয়ামদা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।

**জুন ১৭, ২০০৯ :** হৌজিক হৌজিক শজিৱা জেলদা লৈরিবা অন্দর ট্রাইএল প্রিজনর অমা থিকাদার কৃষ্ণদাসকী মীহাৎকা মরী লৈননা পুলিসনা ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অন্দর ট্রাইয়েল প্রিজনর অদুগী মমিং টি ঐচ নন্দো কৌই। মহাক এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরম্বা ফ্রান্সিস ঙাজোকপাগী মচানুপী লুংনিলা ইলিজাবেথকী মীহাৎতা চেন্নবদগী শজিৱা সেন্ট্রেল জেলদা অন্দর ট্রাইএল প্রিজনর ওইনা লৈরকপনি।

মহাক কৃষ্ণদাসকী মীহাৎকা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি পি ও এন ইবোমচানা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা শজিৱা জেলদগী ফারগা ৱাহং পাউংগীদমক ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা পুরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মীহাৎ অসিদা চেন্নবনি হায়বী সয়াং কোঞ্জেং লৈকায়দগী নুপী অমসু থাসিগী ১২দা পুলিসনা ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চথুরিবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়, নুপী অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নন্দো মীহাৎ অসিদা চেন্নবনি হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। মহাক হৌজিক ইম্ফাল পি এসকী কষ্টদিদা থল্লি। হয়েং ইম্ফালগী সী জে এম কোর্টতা পুথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শজিৱা জেলদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা এল নন্দোদগী সিম কার্দ অনীগা লোয়নবা মোবাইল ফোন অমা অমসুং মীহাৎ অসিগা মরী লৈনবা চে চাং খরা ফংখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, য়েংখোম কৃষ্ণদাসপু তমথীনা হাৎখ্রবা মতুংদা জে এ সীনা মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফারগা চৈরাক পীনবা তকশিল্লবসু হৌজিক ফাওবা খূমাঙ চাওশিন্দবা অসিদা জে এ সীনা পেন্দবা পোকই হায়না প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিং য়েংলগা মীহাৎ অসি নমশিন্দুনা থল্লগা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা লৈখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা ফাওদবা ঙমদে। শেল লৌখিবা মীশক ফারবা ফাওবদা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদবা হায়বসি লমদম অসি তৌনীংবদা তৌবা য়াবা, কাং-খোং চাইরে হায়না চাউথোকচবনি হায়না লৌই।

অমরোমদা, মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা লমদম অসিদা লৈরিবা য়াওল্লুপশিংনা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরকপদা অমসুং জে এ সীগী খোঙজংদা শৌগৎপা মতৌ উৎলকপদা জে এ সীনা তৌবীমল খঙবা উৎলি। লোয়ননা মীহাৎসিগী মতাংদা লংলা লংজিন পুথোকপীদুনা অশেংবা অচুম্বা অদু মীচম মীয়ামদা অথুবা মতমদা খঙহনবীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়রি।

চৈরকসিদা, লৈখিদ্রবগী ককচীং সুমাক লৈকায়দা লৈবা য়ূমদা ঙসি মীওই লিশীং কয়ানা শরুক য়াদুনা অষ্টি সঞ্চয় থৌরম পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা মীহাৎপা দন্দি পীয়ু হায়না সিট ইন প্রোটেষ্ট চথুখি। মখা তানা ককচীং অমসুং য়ূমলোন্নবা লমশিংগী পালি খায়দোক্লগা ককচীংগী নাওহল্লাই লম্পাক্তা সিট ইন প্রোটেষ্ট মখা চথুখিগনি হায়রি। চীফ মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎতুনা খোয়শাওনরবা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা জে এ সীনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

মরকসিদা, য়েংখোম কৃষ্ণদাসপু তমথীনা হাৎখিবা থৌওংবু সোসিএল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও) পল্লেন অমসুং ককচীং খুল্লেন ইবুধৌ খম্লাংবা সেবা কম্মিটিনা পেন্দবা ফোঙদোরকখি। চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবদা পুথোক্তুনা লৈবাক মীয়াম খঙনা দন্দি পীনবা তকশিল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ওর্গনাইজেসন অনীনসু শৌগৎকনি হায়রি।

**জুন ১৮, ২০০৯ :** থিকাদার কৃষ্ণদাস মীহাৎকা মরী লৈননা ঙরাং সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদগী পুলিসনা ফাখিবা খাঙবোক পার্ট থ্রিদগী থোকচোম নন্দো ঙসি সী জে এম ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোকখ্রে অমসুং কোর্টনা নুমিৎ ১০নি (জুন ২৭ ফাওবা) পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী কষ্টদিদা থল্লকখিবা নন্দো ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা পুলিসনা মমিৎ-মমায় পুমখুম খুমজিল্লগা উরিপোক্তা লৈবা সী জি এমগী কোর্টতা পুথোরকখি। মদুদা কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরম্বা মীয়াম্না মহাকপু য়েংহৌনবা মহাক্কী মনাক্তা ওমশিন্নখি। পুলিসনা খূৎলৈ থুনা মহাকপু কোর্ট মনুংদা পুশিনখি।

পুলিসনা নন্দোবু সী জে এমগী মমাঙদা পুথোক্লুরগা পুলিস ষ্টেসন্দা অমুক পুখিনবা কোর্ট রুমদগী পুথোরকপা মতমদা মহাক্লা মফমদুদা লৈবা পাউমীশিংদা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লমই। ৱাফমশিং অদুদি ‘কেস অসি অচুম্বা পুথোক্কনি থাজৈ, ঐদি শুকয়াও য়াওখিবা লৈতে, জেলদা লৈজবনি, জেলদা লৈবা ঐনা করম্না য়াওদৌরিবনো’ হায়বসিনি।

মহাকপু জজনা নুমিৎ ১০নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীরে’ হায়নসু নন্দোনা মখা তানা ফোঙদোক্লমখি। তুংদা খূৎলৈ থুনা পুলিস পার্সনেলশিং অদুনা মহাকপু গাড়ীদা হাপ্তুনা পুখি। কৃষ্ণদাসকী মীহাৎ অসিদা অমনা লৈখিদ্রবা কৃষ্ণদাসকী ইমুং মনুংদগী লুপা লাক্ষ ২৫ লৌখিবগা মরী লৈননা হৌখিবা তাং ১২দা পুলিসনা ফাদুনা ৱাহং পাউহং চথুরিবনি। মহাক হয়েং তাং ১৯ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখিবনি।

ঙসি নন্দোবু কোর্টতা পুথোক্লককপা অদুদা পুলিসনা থাঙ্গৎলকখিবা রিমান্দ প্রেয়রদা ফোঙদোক্লকখিবা ৱাফমদি, নুপীদুনা লুপা লাক্ষ ২৫গী শেনফম অদু জেলদা লৈরিবা থোকচোম নন্দোগী ইন্সত্রক্সন মতুং ইন্না লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদগী লৌখি। নন্দোনা আশালতাগা পাউ ফাওনবদা তোঙান তোঙানবা মোবাইল সিম ৪ শীজিন্নখি হায়বসিনি।

নুপীদুনা শেনফম অদু ইমুং মনুংদগী লৌরবা মতুংদা টু হুইলরদা লাকপা নন্দোনা থারকপা শকখঙদবা নহা অনীদা নুমিত্তুমক্কী নুমিদাংৱাইরমদা খূৎশিন্নখি হায়নসু রিমান্দ প্রেয়র অদুদা পল্লি।

চৈরকসিদা কৃষ্ণদাস তমথীনা হাত্তেতাক্লম্বা অদুবু য়ানীংদবা উত্তুনা জে এ সীগী মখাদা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ককচীং নাওহল্লাই লম্পাক্তা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১, ২, ৩ অমসুং ১২ অমদি সোরাগী মীওই ১,৫০০ রোমনা সিট ইন প্রোটেষ্ট চথখ্রে। তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবসু ফোঙদোক্লরক্লি।

কৃষ্ণদাসনা লৈখিদবদা সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন ককচীং ৱাইরিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবদা মীফম অমা ফমদুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা মহাকপু হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং অদু মতিক চাবা দন্দি পীনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লক্লি।

মরকসিদা, কৃষ্ণদাসকী মীহাৎ অসিবু সোরা মখা দিভলপমেন্ট ক্লবনসু কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা মীহাৎ অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা তকশিল্লক্লি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জ এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা ক্লবসিনা শৌগৎকনিসু হায়রি। |◀◀

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।